# নাগালেন্দনা ফারুবা জেসামিগী মীওই ৬ থাদোরকখ্রে
# ভিডিএফ পার্সোনেল ১দি জ্ঞান তাদনা লাইকন্নরি

*থৌদাং পাউমীদগী*

***ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ ঃ*** মণিপুরগা তায়নবা যুমথংনরিবা নাগালেন্দগী মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিং অমসুং খুৎলায় পায়বা ভিলেজ ফোর্সশিংনা ফাজিল্লবা উখ্রুলগী জেসামিদগী মীওই ৬ ঙরাং নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা থাদোরকখ্রে। অদুম ওইনমক মখোয়না ফারুবা রেস্ক্যুগীদমক চংশিনখিবা ভিডিএফ পার্সোনেল অমদি হৌজিক ফাওবা জ্ঞান তাদনা সিজ হোস্পিতালদা লাইকন্নরি।

মরকসিদা চিংঙাইগী এমএলএ শ্রী এমকে প্রেশো সিমরেনা নাগালেন্দ অমসুং জেসামি অনিগী মরক্তা ঙমখৈগী চয়েৎনরিবা অসিগী অরোয়বা ৱারোয়শিন অমা পুরকপা নৎত্রিমখৈ লমখৈগীদমক নাগালেন্দগী মেলোরি খুল অমসুং জেসামি খুল অনিগী মরক্তা উংখৎনবসি লেপখিরোই। মসিগী উংখৎনবসি ৱারোয়শিন অমা পুরক্কে হায়বা তারবদি জেসামিদা মণিপুর পুলিসকী এসদিপিও অমনা লুচিংবা আইআরবিগী ফুল স্ট্রেংথ অমা থম্না মথৌ তাই। মসিগীদমক মহাক মশামক চিংঙাই কেন্দ্রগী মীহুৎ অমা ওইনা চিফ মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরদা তকশিল্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদনা মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিং অমসুং ভিলেজ ফোর্সনা ফাখ্রবা মতুং তমথিনা ফু চৈরবা মতুং থাদোরকপদগী অরুবা ফিভমদা সিজ হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবা ভিডিএফ পার্সোনেল অদুগী মমিংনা নিজোভি ৱিজাহ (৩০) কৌই। জেসামিদগীনি। হৌজিক হৌজিকসু জেসামি পুলিস ষ্টেসন্দা এটেচ তৌরগা লৈবনি। মহাক হৌজিক নিংথিনা ৱা ঙাংবা ঙমদ্রি। মহাক্কী খোং, খুৎ অমসুং হকচাংগী মফম কয়াদা ফু চৈবগী দাগফম কয়া লৈবদা নত্তনা খোংবী অমসুং খুবোমদা থাংগুপ্পা অথৌবা পোৎনা লেল্লকপগী দাগফম কয়া লৈ।

থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউদা হায়রিবনা নাগালেন্দগী মেলোরি খুল অমসুং জেসামি খুল অনিগী মরক্তা ঙমখৈগী চয়েৎনবা অসি মতম শাংনদগী লাকখিবনি। মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিংনা খুৎলায় পায়দুনা লাক্লগা জেসামিগী খুঞ্জাশিংনা উজরিবা লৌফম কয়া নমদুনা খাওদৎলগা পুখিবা অমসুং লৌউ-শিংউ তৌরিবা জেসামি খুঞ্জা কয়া ফু-চৈবগী থৌওং চত্থদুনা লাকখি।

ঙরাংসু মেলোরি পুলিস ষ্টেসনগী ও সি না জেসামিগী ও সিদা মেলোরি খুলগী খুঞ্জাশিং অমসুং খুৎলায় পায়বা ভিলেজ ফোর্সশিংনা পামদা শিং য়ানবা চৎপা জেসামি খুঞ্জাশিং ফাবা চৎকদৌরে হায়না পাউ থারকখি। পাউ অদু তাবগা জেসামিগী ওসি না লুচিংবা ভিডিএফ পার্সোনেল ৫ য়াওনা মখোয় ৬ জেসামি খুঞ্জাশিংনা পাম য়াল্লিবা অমসুং লৌউ-শিংউ তৌরিবা মফমশিং অদুদা চংশিনখি। অদুম ওইনমক ওসিনা লুচিংবা টিম অদু মফম অদু লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফত্তবদা নত্তনা পুলিসকী ষ্ট্রেংথ মতিক চানা লৈতবা অমসুং নাগা লালহৌবশিংনা ওপরেট তৌবা এরিয়া ওইবনা খুৎলায় অমত্তা লোয়নখিদে। জেসামি পুলিস ষ্টেসন অসিসু মমিংতগী ওইনা লৈবনি। মতিক চাবা আর্মর্দ পার্সোনেলশিং লৈতে।

জেসামি ওসি না দিআই অমদা পুন্না ভিডিএফ পার্সোনেল ৫ অদুগা রেস্ক্যুগীদমক চৎচরবসু খুৎলায় য়াওদবনা মেলোরি খুলদগী লাকপা খুৎলায় পায়বা কাংবুশিং অদুনা জেসামি ওসিগী টিম অদু ওভর পৱার তৌদুনা ফাজিনখি। লোয়ননা ওসি টিমদা য়াওবা নিজোভি য়াওনা ভিডিএফ পার্সোনেল অনি ফাহৌরগা মখোয় মরি অমনা থাদোরকখি। অদুম ওইনমক মেলোরিদগী লাকপা কাংবুশিং অদুনা হান্না ফাজিল্লম্লা জেসামিগী খুঞ্জা ৪ অমসুং ভিডিএফ পার্সোনেল অনি অদু য়াওনা পুন্না মখোয় ৬ মখুৎ পুল্লগা পুরগা চৎখি। ওসি না মদু তৌদনবা কয়ারক হন্না হায়রবসু থওইনা তাখিদে। ওসি দা ওনশিল্লগা থ্রিটন কয়ামরুম তৌরমখি।

পাউ অদু চিংঙাইগী এমএলএ প্রেশো সিমরেনা চিফ সেক্রেটরিদা ৱাকৎলবা মতুং নাগালেন্দদা মহাক্কা থাক মান্নবা ওফিসিয়েলশিংদা ফাওনরবা মতুং নুমিদাং পুং ৯ রোম তাবদা মখোয় ৬ মক নাগালেন্দ পুলিসনা রেস্ক্যু তৌরবা নাগালেন্দ অমসুং জেসামিগা তায়নবা অনিগী মরক্তা লৈবা অকাশ ব্রিদজকী মণিপুরগী লমখৈগী শরুক য়ৌনা চংশিল্লগা থিল্লকখিবনি হায়রি।

ফাখিবা মখোয় ৬ কী মনুংদা ৫ অমদি কা হেন্না শোক্তবনা ইম্ফাল য়ৌরকখিদ্রে। অদুমকপু নিজোভিদি ফিভম থীনা শোকপনা সিজ হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি। মরকসিদা ইচম অমসুং এমএলএ প্রেশো সিমরে মশামক সিজ হোস্পিতালদা লাক্তুনা নিজোভিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎতুগা মরী লৈননা এমএলএ প্রেশো সিমরেনা ফোঙদোক্লমখিবদা জেসামি অমসুং মেলোরি খুল অনিগী মরক্তা লমখৈগী চয়েৎনবা অসি ঙসি ঙরাংতগী নত্তে। ত্রেদিসনেল বাউন্দরিগী মতাংদা মতম শাংনদগী উংখৎনদুনা লাকখিবনি। মসিগী ৱারোয়শিন অমা অথুবদা লাক্লবা ষ্টেট অনিগী থাক্তা হোৎনহৌদ্রবদি হেন্না খুদোংথিবা ফিভম অমা লাকপা য়াই। মরম অদুনা ষ্টেট সরকারনা মফম অসিদা লোং তার্ম সোলুসন অমা পুরক্লবা দিএসপিদগী তাদবা ওফিসার অমনা লুচিংবা ফুল ষ্ট্রেংথ লৈবা আইআরবি পোষ্ট অমা থমগদবনি। অমরোমদনা ঙরাংগী থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা জেসামি মীয়াম্না তেন্সন লৈবীদনবা আপিল তৌরি। পুন্নমক ষ্টেট অনিগী থাক্তা ৱারী শান্নরগা লোয়শিন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

ইচমগী প্রসিদেন্ট রাজেন্দ্রোনা হায়খিবদা, জেসামিগী চয়েৎনরিবা লমখৈগী শরুক অসিগী মতাংদা ইচম্না চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিল্লগা সরকারগা ময়েক শেংনা খঙহনবা লৈখ্রবনি। জেসামিগী লমখৈগী শরুক ওইরিবা অকাস ব্রিদজ মনাক্তা নাগালেন্দগী পুলিস পোষ্ট হাংজিল্লম্লা, গেষ্ট হাওস শাজিল্লম্লা অমসুং টিক পান্থীনচিংবা থাজিল্লম্লা কয়া থেংনরকখি। হায়রিবশিং অদু ষ্টেট গভর্নমেন্টতা খঙহনবদগী ষ্টেট গভর্নমেন্টনা মফমদুদা সিক্স আই আর বি গী পোষ্ট অমা হাংদুনা থম্লুরবনি। মদু মতৌ করম্না অমুক হন্না লৌথোকখিবনো হায়বা খঙদে। সরকারনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা থবক খুৎতৌ অসিনা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লকপনি। মসিনা সরকারদসু কোক চিকপা হেল্লক্কনি। হৌজিক হৌজিকসু উখ্রুলদা লৈরিবা ষ্টেট ফোর্সকী ষ্ট্রেংথ অসি মতিক চাদে হায়না সরকারগী থৌওংবু পেন্দবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা হৌজিক হৌজিক সিজ হোস্পিতালদা লাইকন্নরিবা নিজোভিগী লায়েংবদা অচংবা শেলফম খুদিংমক ইচম্না পুথোক্কনি। মসিদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়খি।